# মালেমগী দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী মকোক ওইবা পাকিস্থান মচা লণ্ডনদা ফাখ্রে

লণ্ডন, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):

মালেমগী দ্রগ ট্রাফিক্কিং নেটৱার্কতা সুল্টান হায়না খঙনবা পাকিস্থানি নেস্নেল অমা য়ু কে অমসুং য়ু এসকী অপূনবা ওপরেসন অমদা লণ্ডনদা ফারে হায়না ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখ্রে।

মুহম্মদ অসিফ হাফিজ কৌবা মীওই অদু লণ্ডনগী রিজেন্ট'স পার্ক এরিয়াদা ফাখি। মহাক ৱায়েল চৎথনবগীদমক্তা য়ু এসতা থাবা য়াবগী ফিভম মায়োক্নরিবা মীশকনি হায়রি।

য়ুরোপ, অফ্রিকা, এসিয়া অমসুং নোর্থ কোরিয়া থুংনা ওপরেট তৌরিবা ওর্গনাইজেসন অদুগী মকোকনি হায়রিবা মশাগী চহী ৫৮ শুরবা হাফিজনা হিরোইন, মেথমফিটামিন নৎত্রগা ক্রিষ্টেল মেথ অমসুং ইফিড্রিন য়াওনা দ্রগ কয়ামরুম শাখি অমসুং স্মগল তৌখি হায়রি।

লণ্ডনদা লৈবা নেস্নেল ক্রাইম এজেন্সী (এন সী এ) না হায়খি মদুদি, হাফিজবু পাকিস্থান অমসুং অফঘানিষ্টানদগী কেনিয়াদা লোন্না পুশিল্লিবা য়ান্নবা হিরোইনগী হৌরকফমনি হায়বা খঙলবা মতুংদা এজেন্সী অসিনা য়ু এসকী দ্রগ ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সী (দি ই এ) গা খুৎশম্নুনা মহাক্কী মরমদা থীজিনবা হৌরকখি।

ন্যু য়োর্কতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, করিগুম্বা মতমদা টন কয়ামুক্কী ওইবা য়ান্নবা হিরোইন, মেথমফিটামিন অমসুং মেথম-ফিটামিনগী মাঙওইনবা কেমিকেলশিং চেন্নবা দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী থবকশিংদা মহাক চেন্নরম্বগী ফিভমদা য়ূম্ফম ওইরগা হাফিজবু ফাখিবনি।

চার্জ খূদিংমক য়ামদ্রবদা চহী ১০ জেলদা থম্বগী চৈরাক ফংনিঙাই ওই হায়রি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হাফিজবু ৱায়েলগীদমক্তা য়ুনাইটেদ কিংদমদগী থারকপা য়ানবা থৌরাং তৌরি হায়না ন্যু য়োর্ককী ওফিসলশিংদুনা ফোঙদোকখি।

মুহাম্মদ অসিফ হাফিজবু ফাবা ঙম্নবসি মালেমগী ক্রিমিনেলশিং অমসুং দি ই এগী মরুওইবা টার্গেটশিংগী মনুংদা অমগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা লাঞ্জংদা অতোপ্পা মায় পাকপা অমনি হায়না দি ই এগী স্পেসল ওপরেসন্স ডিভিজনগী স্পেসল এজেন্ট ইন চার্জ রেমন্দ দোনোভননা হায়খি।

প্রোসিক্যুটরশিংনা হায়খি মদুদি, হাফিজ অমসুং মহাক্কা থবক তৌমিন্নবা খরনা মোজামবিকতা মেথমফিটামিন শানবগী ফেসিলিটি অমা লিংখৎনবা হোৎনখি। মদু য়ু এসতা মেথমফিটামিন থাজিন্নবগী থৌরাং অমগী শরুকনি। তৌইগুম্বসুং ওথোরিটিশিংনা ইন্দিয়াগী মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী সোলাপুরদা লৈবা ফেক্টরি অমদগী ইফিড্রিন টন ১৮ ফাবদগী থৌরাং অদু নমদুনা থাদোকখি। হাফিজকী লণ্ডনদা বিল্ডিং অনী লৈ অমসুং মহাক অয়াম্বা মতমদা দুবাইদা লৈ হায়না গর্দিঅনগী পাউ অমনা হায়রি।

# 'নোর্থ কোরিয়ানা অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইল ৩ চাংয়েং তৌবদা ফেল ওইখ্রে'

সিওল, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রাম থুনা খুমাঙ চাওশিনহন্নবা হোৎনরকপদা থাংজ নুমিৎতা অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইল খরসু ঈশিংদা কাপশিন্দুনা চাংয়েং তৌখ্রে। চৈরকসিদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা পিয়োংয়াংগী মিসাইল চাংয়েংশিং অদুগী মতাংদা মায় পাকপা অমসুং পাক্তবগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা কম্মেন্টশিং ফোঙদোক্লখ্রে।

য়ু এসকী পেসিফিক কম্মান্দগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা কাপখিবা অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইল অহুম কয়াম শাংনা পাইরম্বগে হায়বা খঙদ্রবসু মিসাইল অনীদি খরা পাইরল্লগা ফেল ওইখি অমসুং অমনা হেক থাগৎপগা পোকখায়খি হায়বা য়াই। মিসাইল অদুনা য়ু এসকী টেরিটরি গুআমদা অকিবা অমৎতা পোকহনবা লৈতে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। নোর্থ কোরিয়ানা মমাঙদা গুআম তম্না মিসাইল কাপশিনগনি হায়না কিহনখিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টকী ওফিসনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা মিলিটরি ৩০০ গী আর্টিলরি রোকেট সিষ্টেম অমা চাংয়েং তৌখিবগী মওং লৈখি। সাউথকী মিলিটরিনা রোকেটশিংদু ফেল ওইখি হায়বগী ৱাফম অমৎতা ফোঙদোকখিদে। নোর্থকী নোংপোক থংবা কোষ্টতগী কাপখৎখিবা প্রোজেক্টাইলশিংদু কিলোমিটর ২৫০ (মাইল ১৫৫) পাইখি হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক হৌজিক সিওল ইনষ্টিট্যুট ফোর ফার ইষ্টর্ন ষ্টদিজদা এনালিষ্ট অমা ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী হান্নগী মিলিটরি ওফিসল কিম দোং-য়ুবনা হায়খি মদুদি সাউথ কেরিয়াগী এসেসমেন্টশিং অসি নোর্থকী লোঞ্চশিং অদুদা বলিষ্টিক মিসাইলশিং চৈন্নে হায়বা য়ু এসকী ৱাফম অদুগা খেন্নবা লৈতে।

নোর্থ কোরিয়াগী চাউরবা আর্টিলরি রোকেটশিংনা আর্টিলরি সিষ্টেমশিং অমসুং বলিষ্টিক মিসাইলশিংগী মরক্তা লৈরিবা পনখৈশিং ময়েক শেংহন্দ্রবসু কিমনা লোঞ্চশিং অদু ফেল ওইরবনি হায়না লৌদনবা চেকশিনবা ফোঙদোকখি।

সিওলদা প্রসিদেন্টকী ওফিসনা হায়খি মদুদি, লোঞ্চ অদুগী পাউখুম ওইনা য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিশিংনা হৌজিক চৎথরিবা মখোয়গী ৱার গেমশিং হেন্না মপূং ফাহল্লগনি। মিসাইল চাংয়েংশিং অদু নোর্থনা হৌখিবা জুলাইদা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অনী মায় পাক্না চাংয়েং তৌখিবদগী পাঙথোক্লিবা অহানবা মিসাইল লোঞ্চশিংনি। বলিষ্টিক মিসাইলশিং অদু করিগুম্বা মপূং ফাহনবা ঙম্লবদি য়ু এসকী মপূং লম ফাওবা য়ৌবা ঙম্বা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লখি।

হ্বাইট হাউসনা হায়খি মদুদি, নোর্থনা মখা তানা অকিবা পোকহনবগী ফিভম চৎথরক্লবদি মৈ অমসুং অশাওবগা লোয়ননা পাউখুম পীগনি হায়না চেকশিনৱা হায়খিবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা নোর্থকী খ্বাইদগী নৌবা এক্টিভিটিগী মরমদা খঙহনখ্রে লোয়ননা ওইরক্লিবা ফিভম অদু ঐখোয়না মোনিটর তৌরি। ট্রম্প লাল হৌরকপা য়াবগী মওংদা কিনিঙাই ওইরবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবদগী য়েংথীনরিবা কোরিয়াশিংগী মরী হান্নদগী হেন্না ফিভম শোকচিনখিবনি হায়রি।

# 'থাইলেণ্ডগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক দুবাইদা চেনখ্রে'

কাবুল, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):

থাইলেণ্ডগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রা দুবাইদা চেনখ্রে হায়না মহাক্কী পার্টিনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মহাক জেলদা চহী ১০ লৈবা য়াবা রুলিং অমগা মরী লৈননা কোর্টতা লাকখিদবা নোংমা লৈরগা দুবাইদা চেনখিবগী ৱাফম অসি পার্টিনা ফোঙদোকখিবনি।


পুই থাই পার্টিগী সোর্চশিংনা হায়খি মদুদি য়িংলুকনা হৌখিবা চয়োলদা থাইলেণ্ড থাদোকখি অমসুং সিঙ্গাপোর ফাওরগা মহাক্কী মবুং লৈরিবা দুবাইদা পাইখি। দুবাইদা মহাক্কী মবুং হান্নগী থাই প্রাইম মিনিষ্টর থকশিন সিনাৱাত্রাগী য়ূম অমা লৈ হায়রি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি কুমজা ২০০৮ দা জেলদা লৈবগী চৈরাক অমা নাম্থোক্লবা হোৎনবদা মরন্নাই ওইনা লোই চৎখিবনি।

ঐখোয়না মহাক কম্বোদিয়াদা অমসুং মদুদগী সিঙ্গাপোরদা চৎখি অমসুং সিঙ্গাপোরদগী অমুক দুবাইদা পাইখ্রে হায়বা তারে হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা পুই থাই পার্টিগী সিনিয়র মেম্বর অমনা হায়খি।

ডেপ্যুটি নেস্নেল পুলিস চীফ শ্রিভারা ৱাংসিব্রাহমানাকুলনা হায়খি, মশাগী চহী ৫০ শুরবা য়িংলুকনা লৈবাক থাদোক্তুনা চৎপগী রেকোর্দ পুলিসতা লৈতে অমসুং ওইরক্লিবা খোঙথাংশিং কুপ্না য়েংশিল্লি।

থকশিনগী ময়ূম অমা লৈ হায়রিবা দুবাইগী এমিরেটস হিলস কম্যুনিটিদা সিক্যুরিটি কাঙবুশিংনা রোইটর্জগী রিপোর্টর অমা খামখি।

দুবাইদা রোইটর্জনা থকশিনবু কন্টেক্ট তৌনবা হোৎনখিবদা মহাক্কী স্পোক্সপর্সন অমনা কোওপরেসন পীখিদে।



ইরাই নুমিৎতা য়িংলুককী মায়োক্তা চৎথরকখিবা থৌশাদবগী ট্রাইঅল অমগী ভর্দিক্ট ঙাইরদুনা কেপিটেল বেঙ্কোকতা লৈবা কোর্ট অমগী মপানদা মহাকপু শৌগৎপা মীওই ৩,০০০ পূনখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। ট্রাইঅল অদু য়িংলুককী এদমিনিষ্ট্রেসনন পুথোকখিবা চেঙ লৈবগী পোলিসিদা মহাকসু চেন্নরম্বগীদমক্তা চৎথখিবনি।

তৌইগুম্বসুং য়িংলুক লাকফম থোকপা মতমদা কোর্টতা লাকখিদে অমসুং কোর্টনা ষ্টেটমেন্ট অমা য়াম্না থুনা থোক্তুনা মহাক্না লাক্তবগী মরমদি নাকোংগী প্রোব্লেম অমা লৈবদগীনি হায়না খঙহল্লক্লে হায়খি। কোর্টনা য়িংলুককী ৱাফম অদু রিজেক্ট তৌখি অমসুং ভর্দিক্ট অদু সেপ্টেম্বর ২৭ তা পাথোক্লগনি হায়না লাউথোকখি। মদুগী তুংদা মহাকপু ফানবগী এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইসূ তৌখি।

মখোয়না থেংনরবদি য়িংলুকপু খুদক্তা ফাগনি হায়না ইম্মিগ্রেসন পুলিসনা ফোঙদোকখি।

ডেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ৱিসানু ক্রিঙামনা হায়খি, গভর্নমেন্টনা য়িংলুককী কেস অমসুং মহাক্কী লৈফমগী মতাংদা কম্মেন্ট অমৎতা পীরোইদবনি।

# য়ু এসনা ম্যানমারদা ঈৱাং হেনগৎকদবা লমন খুম্বগী থৌদৌ চৎথদনবা তকশিনখ্রে

*য়াঙ্গোন, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):*

*কাঙলূপকী ঈৱাং চাউনা হেনগৎলকখিবগী থৌদোক অমদা ম্যানমারগী নোংচুপ থংবা লমদমদা রোহিংয়া কাঙলূপকী লালহৌবশিংনা শাথীরবা এটেক অমা চৎথবদা সিক্যুরিটি পর্সনেল ১২ অমসুং রোহিংয়া মুস্লিম ৭৭ শিথ্রবা মতুংদা য়ু এসনা লৈবাক অদুগী ওথোরিটিশিংদা টেন্সন হেনগৎহনগদবা মওংদা লমন খুম্বগী খোঙথাং লৌখৎতনবা তকশিনখ্রে।*

*ঙরাং ম্যানমারগী লীদর ওং সান সু চিগী ওফিসনা হায়খি মদুদি, লালহৌবশিংগী এটেকশিং অদুগী পাউখুম ওইনা মিলিটরি অমসুং বোর্দর পুলিসনা লালহৌবশিং তকথোক্লবগী ওপরেসনশিং হৌখি।*

*পুলিসনা নোংমৈ, থাঙপাক অমসুং য়ূমদা শাবা গ্রেনেদশিং পায়বা রোহিংয়া এটেক্কর ১০০ রোমগা লান্থেংনখি। গভর্নমেন্টনা ওনলাইনদা থাগৎপা ফোটোশিংদা অফবা খুৎলাইশিং উৎখি।*

*ফোনদা কন্টেক্ট তৌখিবা ৱাখিনে ষ্টেটকী মুংদো টাউনসিপতা লৈবা ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখি মদুদি ঙরাং অয়ুক্কী পূং ১০ রোম তাবদা মহাক্কী খুঙ্গংদা লান্মীশিং চঙলকখি। মখোয়না য়ূম অমসুং লন-থুম কয়া মৈ থাখি অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ১০ নোংমৈনা কাপখি।*

*কিবদগী মশক-মমিং তাক-থোক্লিংদবা ৱিটনেস অদুনা হায়খি, খুঙ্গাশিংনা মায়কৈ কয়াদা মথ্বায় হিংনবা চেন্নখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় অয়াম্বা মনাক নকপা চীংজাউ নাপোম অমা পাংখি। ইরাই নুমিৎতা নোংমৈ কাপ্পা অমসুং বোম পোকখায়বগী মখোলশিং তাবা ফংখি লোয়ননা মৈখু কাবা উখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।*

*অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মি নৎত্রগা এ আর এস এ কৌবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমনা শগোলশেন নুমিৎতা মফম ২৫ দা চৎথখিবা এটেকশিং অদু মখোয়না চৎথবনি হায়না ক্লেম তৌখি। মখোয় গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা তমথীনা তৌবীরবা রোহিংয়া কম্যুনিটিশিংবু ঙাক শেল্লিবনি হায়না গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি।*

*সু চিনা এটেকশিং অদু ৱাখিনে ষ্টেটতা ইং-চিকপা অমসুং কাঙলূপ মশেল নুংশিননা লৈমিন্নবা য়ানবা গভর্নমেন্টনা হোৎনরিবশিংদা অকায়বা পীনবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোকখি।*

# কাবুল এটেক : নুপী অঙাংশিং য়াওনা অশিবা মশিং ২৮ য়ৌখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):



হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা লৈবা সিয়াইট-শিংগী মোস্ক অমদা চৎথখিবা এটেক অমদা শিখিবশিংগী মশিং নুপী অঙাংশিং য়াওনা ২০ ওইরম্বদগী য়ামদ্রবদা ২৮ দা হেনগৎখ্রে হায়না কাবুলগী হোস্পিটালশিংগী চীফনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাইগী লাইশোল পাঙথোক্লিঙৈদা চৎথখিবা পূং কয়া চুপ্পা চৎথখিবা এটেক অদুদা অতে মীওই ৫০ সু শোকখি হায়না মোহম্মদ সলিম রাসেলিনা ফোঙদোকখি।

পুলিসকী ওফিসল মোহম্মদ সদিক মুরাদিগী মতুং ইন্না, এটেক্কর অনীনা মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হনখি অমসুং অতোপ্পা অনীনা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাপ্তুনা হাৎখি। শাথীরবা এটেক অদু ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপনা ক্লেম তৌখি। মদু অফঘানগী মশিং য়ামদবা সিয়াইটশিংদা চৎথবা খ্বায়দগী নৌবা এটেক ওইখি।

টালিবাননা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে। টালিবান মিলিটেন্টশিংগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা জাবিহুলাহ মুহাজিদনা এ পিগী টেলিফোন ইন্টরভ্যু অমদা হায়খি মদুদি, এটেক অদু গ্রুপ অসিগা করিগুম্বা মওং অমৎতদা মরী লৈনদে।

প্রসিদেন্ট অশ্রাফ ঘানিনা মীশি-মীনা কয়া থোকহল্লিবা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং লানফমশিংদা মায়থীবা নংলকপদগী লালহৌবশিংনা লাই খুরুম্ফমশিংদা ওনশিল্লগা এটেক তৌবা হৌরে হায়খি। মহাক্না মফম খূদিংমক্কী ইস্লামিক ক্লারিকশিংদা ঈ-নাই তাহনবগী থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌনবা অপীল তৌখি।

এটেক্কর মরিদু হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মীপাইবা পোক্নরবা লাই খুরুম্বশিংনা নুংথিলগী মতমদুদা পূং মরি চুপ্না নোংমৈ কাপ্নবা অমসুং বোম পোকখায়বশিং ৱানা খাংখি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা মসিগী অমাক ন্যুজ এজেন্সীগী ৱেবসাইটতা ফোঙখিবা ষ্টেটমেন্ট হায়খি মদুদি, গ্রুপ অসিনা মোস্ক অদুদা এটেক্কর অনী ডিপ্লোই তৌখি। এটেক্করশিংগী মশিং ওন্নবগী মতাংদা ইস্লামিক ষ্টেটনা খুদক্কী ওইনা ৱারোল অমৎতা পীখিদে।

কাবুলগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা মোস্ক অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কোইশিনখি তৌইগুম্বসুং মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংদা মখা তানা মীশি-মীনা থোক্তনবগীদমক্তা অহানবদা মোস্ক মনুংদা চঙখিদে হায়না পুলিসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। তুংদা পুলিসনা চঙশিন্নবা হোৎনরুবদা এটেক্করশিংগী মরক্তগী অমনা বোম অমা পোকখায়হনখি অমসুং মখোয় তঙাইফদনা হন্দোকখি হায়না মুরাদিনা ফোঙদোকখি।

লাইশোল পাঙথোক্লিবা ক্লারিক অদুসু শিখিবশিংদুগী মনুংদা য়াওখি হায়না অফঘানিষ্টানগী সিয়াইট ক্লারিকেল কাউন্সিলগী মেম্বর মির হুশাইন নসিরিনা হায়খি। খুৎলাই পায়বশিংদুনা নুপাশিংগী ওইবা লাইশোল পাঙথোকফম হোল অমসুং তোঙান্না অনীশুবা ফ্লোরদা লৈরিবা নুপীশিংগী লাই খুরুম্ফম এরিয়া অনীমক পায়শিনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মদু মীওই ১০০০ ফাওবা চনবা মোস্কনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা নসিরিনা হায়খি মদুদি পুলিসনা মনুংদা চঙনবা হোৎনরুবা মতমদা মিলিটেন্টশিংদুনা অনীশুবা ফ্লোরদা কাখৎলনবগী থোঙ অদু থিংজিল্লমখি। মদুনা মথক্তা লৈরিবা নুপীশিং অদু হোষ্টেজশিং ওইহনখি।

# 'চাইনানা সাউথ এসিয়াদা মরা চেৎপা ফিভম লৈহন্নিংলম্বা য়াই'

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):

চাইনানা অফঘানিষ্টান অমসুং সাউথ এসিয়াদা মরা চেৎপা ফিভম লৈহন্নিংলম্বা য়াই মরমদি লৈবাক অসিনা লমদম অসিদা মওং কয়াদা থাজবা চাউনা থম্বা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী নেটৱার্ক অমা শেমগৎ-শাগৎলি হায়না ট্রম্পকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। য়ু এস প্রসিদেন্টনা পাকিস্থানবু টেররিষ্টশিং চঙজফম পী হায়না কন্না চৈ থাংদুনা চেকশিনৱা হায়খিবদা বৈজিংনা পাকিস্থানবু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা মতুংদা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনগী সিনিয়র ওফিসলনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মহাক্কী অফঘানিষ্টান অমসুং সাউথ এসিয়াগী পোলিসি লাউথোকখিবা দোনাল্ড ট্রম্পনা পাকিস্থানবু অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা অমেরিকান-শিংবু হাৎপা, কাংখোং চাইহনবগী এজেন্টশিংদা চঙজফম পীবগীদমক্তা চৈ থাংখি অমসুং টেররিষ্টশিংদা চঙজফম পীবা হায়বসি ইস্লামাবাদকী মাঙজবা চাউনা লাক্কনি হায়না চেকশিনৱা হায়খি।

চাইনানা লমদম অসিদা মরা চেৎপা ফিভম লৈহনবা পামই হায়না ঐহাক্না থাজে। মখোয়না লমদম অসিদা ৱান বেল্ট এন্দ ৱান রোদ (ও বি ও আর) প্রোজেক্ট পায়খৎলক্লে। মরম অদুনা মখোয়না লমদম অসিদা মরা চেৎপা ফিভম লৈহনবা পামগনি হায়না এদমিনিষ্ট্রেসনগী সিনিয়র ওফিসল অমনা পাউমীশিংদা হায়খি।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংনা পামজবা প্রোজেক্ট অমা ওইরিবা ও বি ও আর ইনিসিয়েটিভ অসিগী পান্দমদি ইষ্ট এসিয়া অমসুং য়ুরোপকী ইকনোমিক সর্কলশিং শম্নহনবনি। প্রোজেক্ট অসিনা চাইনাবু কংফালদা অমসুং ঈশিং লান্না এসিয়া, য়ুরোপ অমসুং অফ্রিকাগী পার্টনরশিংগা শম্নহনগনি।

অরিবা মতমগী সিল্ক রোদ হায়না খঙনবা লল্লোন-ইতিক্কী লম্বীবু নৌনা অমুক হিঙ্গৎহল্লিবনি হায়না খঙনবা ইনিসিয়েটিভ অদুনা এসিয়াগী মার্কেটশিংগা য়ুরোপকী ইকনোমিক গ্রুপশিংগা শম্নহনগনি।

অসিগুম্বা ফিভমশিং অসি লৈবনা অফঘানিষ্টানদা ইং-চিকপা অমসুং মরা চেৎপা ফিভম লৈহনবা হায়বা লৈবাক অনীমক্কী ওইবা অপাম্বা অসি য়েংদুনা য়ু এসনা চাইনাগা থবক তৌমিন্ননবগী লম্বীশিং য়েংগনি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি। পাকিস্থানগা নক্লনা লৈরিবদু য়েংলগা লমদম অসিদা ইং-চিকপা অমসুং মরা চেৎপা ফিভম পুরকপদা চাইনানা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা য়ু এসকী ওফিসলনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ট্রম্পনা মহাক্কী অফঘান অমসুং সাউথ এসিয়াগী ষ্ট্রেটেজি লাউথোকখিবা মতুংদা য়ু এসকী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসননা চাইনাগী টোপ ডিপ্লোমেট য়াং জিয়েচিগা ৱারী শানখি। মদুদা জিয়েচিনা মঙোন্দা অফঘানিষ্টানদা পাকিস্থানননা লৌরিবা থৌদাংবু মমল লৈনা লৌনবা তকশিনখি।

চাইনাগী ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুংইন্না য়াংনা টিলরসনদা অফঘানিষ্টানগী ইসূগী মতাংদা পাকিস্থাননা লৌরিবা থৌদাংবু মমল লৈনা লৌনবা অমসুং পাকিস্থানগী সোভরেন্টি সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা মরম চাবা ৱাফমশিংবু ইকায়খুম্নবা হায়খি।

ৱাশিংটনদা টিলরসনগা উনবা চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা পাকিস্থানগী ফোরন মিনিষ্টর খাৱাজা অসিফনা চাইনাদা চৎকনি।

ট্রম্পনা ইস্লামাবাদকী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা মতুংদা চাইনানা পাকিস্থানবু শৌগৎপা অমৎতা ঙাইরবা লৈবাক ওইনা চোংথোরকখিবনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT/MSRRDA
Secured Office Complex (4th Floor), A.T. Line, North AOC, Imphal

NOTICE

Imphal the 25th August, 2017

No. 1/57/2008-MSRRDA/TOM/ :- Roll-out of Training Programme on Rural Roads Maintenance to Engineers and Contractors of MSRRDA to be conducted by the Master Trainers will be held on 29th and 30th August, 2017 at the Conference Hall of RED/MSRRDA with details as mentioned below:

i) 29-08-2017 – for Engineers – 9.30 A.M. to 4.30 P.M. (Lunch to be provided)
ii) 30-08-2017 – for Contractors – 9.30 A.M. to 4.30 P.M. (Lunch to be provided)

All concerned officials and contractors are requested for attending the training programme without fail.

Sd/-
Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer cum E.O
RED/MSRRDA

HL-B/4090/26&27

ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি




ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুঙশংনা নাদুনা অমাঙথোংদা বোলগুম্না পোমদুনা খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বদা মনাং মরক-মরক্তা য়াওরম্বদু ওজা **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়াময়ুম ☎ ৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৩৩৮** দা চত্নুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা পোল্লম্বা অমদি অনাবা খূদিংমক নুমিৎ ৮ (নিপান) নি হীদাক চারবা অমদি তৈরবা মতুংদা মপুং ফানা ফজরে। মরম অদুনা ওজাবু মতম পুন্নমক্তা ঈশ্বরনা থৌজানবীবা ওইসনু হায়না থৌনিজবগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি।

*লায়েংফম* : 1. North AOC Near Kekrupat 3 Star Palace Building. Time : 10:30 am to 4:00 pm. 2. Mayang Imphal Konchak. Time : 6:00 am to 10:00 am.

*থাগৎচরিবী* : **G. ANITA CHANU**
Kakching Khunou, ☎ 9615111252

HL-B/4061/27

/খোঙ হাম্বগী শংবদা চেকখায়রগা ঈ থোক্লকপা অমদি কাপথোরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী য়াম্না ৱাবা ফহনবগী ওজাবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোংগী মপান্দা থাগৎলগা লৈবা অমদি থাগৎলিবা মফমদুদগী খোঙ হাম্বগী শংবদা চেকখায়রগা ঈ থোক্লকপা অমদি কাপথোরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী য়াম্না ৱাবা অমদি অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক নাবা, চাবা তুমদবা অমদি পুক মনুংদা কোয়চেন চেল্লগা তোয়না নাগনবা, হকচাং চোকথবা, খুউ নাবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ফম্বী ৱাৎপা অমদি হকতিন্নবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা, খ্বাঙ নাবা অমদি য়াঙলেন শরূ নাবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM ☎ 8014025567, 7628890261** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা নুংঙাইতবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফদুনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু ঈশ্বরনা মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :
1. Hatta, Opp. Public Hospital near Oil Pump Hatta, Imphal.
2. Centre Road Opp. ICI Church, ICI Road Hiangtam Lamka CCpur.

*থাগৎচরিবা* : **Salam Tompok**
Sekmaijin Mayai Leikai.

HL-P/2600/27



SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Ani Karak, Imphal

ADMISSION OPEN

CLASS XII SCIENCE FOUNDATION COURSE (3RD BATCH) - 2017

Starting of Class : 11th September, 2017

Special Features :
1) Supply of exam oriented Study Material. Class Timing : 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
2) No. of Seats : 30 only
*Van Service Available*

Managing Director

We nourish your future

HL-P/2136/19 Aug. to 16 Sept. (Alt.)

KANGLEIPAK COMPUTECH (L & B GROUP)
Singjamei Thokchom Leikai, Imphal West, Near SBI Bank, Manipur-795001
Deals in : COMPUTERS, COMPUTER ACCESSORIES, LAPTOPS, CCTV, PC GAMES, PRINTERS

Cheap & Best

Sales & Service + CCTV Installation & Biometric Device Installation



Contact No. +91 7085163678, 0385-2441628
e-mail : kangleipakcomputech@gmail.com

Cheap & Best

LENOVO ASUS ACER HP TOSHIBA SONY SAMSUNG DELL

HL-P/2533/14to13 Sept.

HelpingHand Health Care
Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.
Phone: 7085500324 / 0385-2051738

Acupressure and Massage Treatment

OPD DISCOUNT
25% for 50 yrs. and above & 40% for BPL Family
Time from 6 a.m. - 2 p.m.

* খ্বাঙ নাবা, * লু-তাং চিকপা, * কলাপ মরী শোনবা,
* পেরালাইসিস, * কোক চিকপা, * খোঙ-খুৎ চিকপা-নাবা ..etc

- FIRST COME FIRST SERVE - " COME AND BE HEALED "

HL-B/4076/15to30

HELPINGHAND GROUP
Rs.4,00,000/- (4 Lakh)
Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -
Half Monthly (2wise Draw in a month)
1. Per Draw Amnt. Rs.1000/-@ Lottery WINNER Rs. 4 Lakh.
2. Per Draw Amnt. Rs. 500/-@ Lottery WINNER Rs. 2 Lakh.
Few Shares are remaining - Join till 5th September 2017

অপীকপা শেন্দোইদা GROUP শোনসু পীজরি, শৌবীয়ু

HelpingHand Finance Service (Office hrs. 10 pm - 5pm) Please Visit Office.
(Govt. Registered) Head office: Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/ 8974877505

HL-B/4076/13 to 27